# এস ৱাই সি খৌপুম সতুদাইনা ইন্দিপেন্দেন্স দে ভোল্লিবোল ট্রোফি ২০১৯গী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন নোনেনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী টিম ১২ না গ্রুপ- ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা লোঙমাই গ্রাউন্দ নোনেদা চথরকপা ইন্দিপেন্দেন্স দে ভোল্লিবোল ট্রোফি ২০১৯গী ৱিন্নর এস ৱাই সি খৌপুম সতুদাইনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোয়বা ১৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী মরিশুবা গ্রাউন্দা এস ৱাই সি খৌপুম সতুদাই অমদি কে ৱাই এল এস সি কাচিখুলনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এস ৱাই সি খৌপুম সতুদাইনা কে ৱাই এল এস সি কাচিখুলবু সেট ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা কে ৱাই এল এস সি কাচিখুলনা এস ৱাই সি খৌপুম সতুদাইবু পোইন্ট ২৫-২১ স্কোর তৌদুনা সেট অমা মাঙজিল থানা চৎখি।

অদুবু এস ৱাই সি খৌপুম দতুদাইনা লেমহৌবা সেটশিংদা কে ৱাই এল এস সি কাচিখুলবু পোইন্ট ২৫-১৮, ২৫-১৯, ২৫-২১ দা স্কোর তৌদুনা সেট ৩ মায় পাকপদগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা পোজিসনগীদমক অহুমশুবা গ্রাউন দা এন সি ৱাই ও (এ) অমদি এন সি ৱাই ও (বি) না শান্নখিবা ১৫ শুবা মেটচতা এন সি ৱাই ও (এ)না এন সি ৱাই ও (বি)বু সেট ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা এন সি ৱাই ও (এ)না পোইন্ট ২৫-১৯, ২৫-১৬, ২৪-২৬, ২৫-২০ স্কোর তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবা অয়ুক্তা এস ৱাই সি খৌপুম সতুদাই অমদি এন সি ৱাই ও (এ)না শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এস ৱাই সি কৌপুম সতুদাইনা এন সি ৱাই ও (এ)বু ষ্ট্রেট সেট ৩-০ ( ২৫-৮, ২৫-১৫, ২৫-১৮) দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা কে ৱাই এল এস সি কাচিখুল অমদি এন সি ৱাই ও (বি) না শান্নখিবা মেটচতা কে ৱাই এল এস সি কাচিখুলনা এন সি ৱাই ও (বি)বু ষ্ট্রেট সেট ৩-০ ( ২৫-১৩, ২৫-১৭, ২৫-১৪)দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা এস ৱাই সি খৌপুম সতুদাইদা লুপা লিশিং ৩০,০০০। রন্নস অপ তাখ্রবা কে ৱাই এল এস সি কাচিখুলদা লুপা লিশিং ২০,০০০ অমদি থার্ড পোজিসন তাখ্রবা এন সি ৱাই ও (এ)দা লুপা লিশিং ১০,০০০ খূৎশিন্নদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

# লিভরপুলনা চেলসিবু পেনাল্টি সুট আউটতা মায়থিবা পীদুনা সুপর কপকী টাইতল লৌখ্রে

ইষ্টানবুল, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সি)ঃ য়ু ই এফ এনা শীন্দুনা টর্কিগী ইষ্টানবুলদা পাঙথোকখিবা ৪৪ শুবা য়ু ই এফ এ সুপর কপকী টাইতল ইংলেন্দগী লিভরপুল ফুটবোল ক্লবনা লৌখ্রে।

হন্দক্তা মাদ্রিট তা পাঙথোকখিবা ২০১৮-১৯ য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগকী ৱিন্নর ওইখিবা ইংলিশকী ফুটবোল টিম লিভরপুলনা ইষ্টানবুলগী ভোদাফোন পাক্তা শান্নখিবা সুপর কপকী ফাইনেলদা ইংলিশকী টিম চেলসিবু পেনল্টি সুট আউটতা গোল ৫-৪ দা মায়থিবা পীরগা কপ অসিকী টাইতল লৌখিবা অসিনা লিভরপুলনা মখোয়গী মরিকশুবা ওইনা সুপর কপকী টাইতল লৌবা ঙমবসু ওইখ্রে।




শান্নখিবা মেটচঅসিগী হৌবগা টিম অনীমক্না খোঙজেল য়াঙনা শান্নরকখিবদগী নাকল অনীমক্না গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংনখ্রবসু মেটচকী মিনট পুংঙ্খায় ফারকপা ফাওবদি গোল চন্নবা ঙম্নদনা লৈন্নখি।

অদুবু মেটচকী মিনট ৩৬ চৎপদা চেলসিগী মিল্ড ফিল্দর কানটে অমদি পুলিসিকতগী খায়রকপা বোলদা ফ্রান্স ইন্টরনেসনেল ওলিভর জিরুনা নীংথিনা শমজিন্দুনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদি ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা মিনট ৪৮ চৎপদা লিভরপুলগী সিনিগেলগী শান্নরোই সাদিও মানেনা শোথরিবা গোল অদু হনে দাক্তুনা ১-১ দা মান্না লৈখি।

মেটচকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা টিম অনীনা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নাদবদগী এক্সত্রা টাইম হাপল্লগা শান্নখিবা মিনট ৯৫ চৎপদা সাদিও মানেনা মহাক্কী অমদি লিভরপুলগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২-১ দা মাঙজিলর থাখি।

অদুবু মেটচকী মিনট ১০১ চৎপদা লিভরপুলগী কিপ্পর এড্রিয়াননা চেলসিগী অব্রহমদা বোক্স মনুংদা ফাওল তৌরুবগীদমক চেলসিগী মায়কৈদা পেনাল্টি ফঙখি। পেনাল্টি অদু জে ারজিন হোনা গোলদা ওন্থোক্তুনা ২-২ দা মান্না লৈন্নখি।

এক্সত্রা টাইম লোয়বা ফাওবদা গোল মান্না লৈবদগী কিক ফোম পেনাল্টি মাকতা ৱিন্নর দিসাইদ তৌবদা লিভরপুলনা গোল ৫ অদুগা চেলসিনা গোল ৪ ওন্থোক্তুনা মেটচ অসি মায়থিবা নঙখি।

পনবা য়াই মদুদি শান্নখিবা য়ু ই এফ এ সুপর কপ অসি য়ু ই এফ এ চেম্পিয়নস লীগকী ৱিন্নর অমসুং য়ু ই এফ এ ইয়ুরোপা লীগকী ৱিন্নর অনীনা কম্পিটিসন তৌবনি।

লিভরপুল এফ সিনা সুপর কপ অসি লৌখিবসিনা মখোয়গী ক্লবকী পূৱারিদা ৪৬ শুবা ট্রোফি লৌবা ওইখ্রে।

## ষ্টেটকী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়ান পেনকেক শিলাট ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা পঞ্জাবকী অমৃট সহরদা থা অসিগী ১৮ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লস নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী পেনকেক শান্নরোইশিং থা অসিগী ১৩দা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেটকী টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং অদুদি- সোইবম মাঙলেম, সোইবম থোইবা, শাপম রাবিকান্ত, চিঙথাম জেলিন, অঙোম জেনিস, থোঙবম অঞ্জালি, শমবজেটতাবম রোমানন্দা, ঙাঙোম সঞ্জিট মৈতৈ, থৌনাওজম রিতা দেবী, এস জোনা চানু, দব্লিউ সন্তোস মৈতৈ, এস চিঙ্খেঙানবা সিংহ, দব্লিউ সুনিলশেথি মৈতৈ, এস রোবিসন মৈতৈনি।

টিম মেনেজরনা এল রঞ্জিৎ সিংহ, টিম কোচনা এন রোবিন্দ্রা সিংহ, এষ্টিটেন্ট কোচনা সি ঐচ জয়কুমার সিংহ, টিম কোচ ফিমেলগীনা এনজি ননাও মৈতৈ, অমদি এষ্টিটেন্ট কোচনা এন বোইনাও সিংহনি।

## শন্নরোইশিংদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (এস এন এস)ঃ ভাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা সেপ্টেম্বর ৩ দগী ৯ ফাওবা ওড়িশাগী কুটটক্তা পাঙথোগদৌরিবা ৪৬ শুবা সব জুনিয়র নেসনেল ভাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর বোইজ এন্দ গার্লসতা শরুক য়াগদবা মণিপুর ভাস্কেটবোল এসোসিয়েসনগী নুপামচা অমদি নুপীমচা সব জুনিয়র টিমদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে।

য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা হান্নগী ইন্দিয়ান য়ুঠ ভাস্কেটবোল টিমগী কেপ্টেন অমসুং সঙাই এক্সপ্রেসকি প্রোপাইটর রিশিকান্ত শাপমনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা য়েন্থোকখিবনি।

ষ্টেটকী নুপামচাগী টিমদা পূন্না শান্নরোই ১২ অদুগা নুপীমচাগী টিমদা পূন্না শান্নরোই ১১না শরুক য়াগনি।

নুপামচাগী টিম অসি এল ওমিয়ো মৈতৈনা মেনেজর, এন রজিপকুমারনা কোচ অদুগা নুপীমচাগী টিম কোচনা ৱাই মোহিদ্রা কাপুর অমসুং লেদি ইনচাজনা ৱাই রানিতানি।

# অহুমশুবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনেল নেচরেল বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ারুবশিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (এস এন এস)ঃ ইন্টর নেসনেল নেচরেল বোডি বিল্ডিং এসোসিয়েসন ইন্দিয়া ( আই এন বি এ)না শীন্দুনা হৌখিবা জুলাই ২০ দা বেঙ্গলোরগী ডা. রাজকুমার ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনেল নেচরেল বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা শরুক য়ারুবা আই এন বি এ মণিপুরগী মেদল লৌরখ্রবা, শরুক য়ারুবা অমদি ওফিসিয়েলশিং ওকপগী থৌরম অমা পাওনম রোমেস মৈতৈগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি- ৱুমেন্স বোডি বিল্ডিং ওভর ওল চেম্পিয়ন ইন্দুংবম কবিতা চানু, নোভিস এন্দ মেদিয়ম গ্রুপ মেন্স ওপন বোডি বিল্ডিং গোল্ড মেদল অমসুং সেকেন্দ রন্নস অপ বোডি বিল্ডিং ওভর ওল চেম্পিয়ন নেপ্রম রোসন।

সেনিয়র তোল গ্রুপ মেন্স ওপন বোডি বিল্ডিং গোল্ড মেদল অমসুং ফাষ্ট রন্নস অপ বোডি বিল্ডিং ওভর ওল চেম্পিয়ন অরুনজিৎ খেত্রিময়ুম। গ্রান্দ মাষ্টর বোডি বিল্ডিংগী গোল্ড মেদল পাওনম রোমেস। গ্রান্দ মাষ্টর বোডি বিল্ডিংগী সিলভর মেদল মোইরাংথেম রঞ্জিৎ।

জুনিয়র মাষ্টর বোডি বিল্ডিংগী সিলভর মেদল টি ঐচ দেবতাজি। মাষ্টর ৪০-৪৯ বোডি বিল্ডিংগী সিলভর মেদল অমসুং মাষ্টর মেন ফিজিক্সগী সিলভর মেদল ৱাই তোম্বা। জুনিয়র বোডি বিল্ডিংগী ব্রোঞ্জ মেদল টি ঐচ তোনি।

জুনিয়র বোডি বিল্ডিংগী মঙাশুবা পোজিসন দব্লি ৱাংখেম, জুনিয়র মেন ফিজিক্সকী মরিশুবা পোজিসন তখেলময়ুম মালেমঙানবা অমসং সি ঐচ গোঞ্জালিসনি।

ষ্টেটকী টিম অসি ইন্টর নেসনেল নেচরেল বোডি বিল্ডিং এসোসিয়েসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট দব্লিউ ইবোমচানা টিম মেনেজর ওইনা লুচিঙখিবনি।

পাঙথোকখিবা ওকপগী থৌরম অসিদা কঙলা দাইগনোষ্টিককী প্রোপাইটর নিংঙোম্বম ন্যতোননা চীফ গেষ্ট, আই এন বি এ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট দব্লিউ ইবোমচানা থৌরমগী প্রসিদেন্ট অমসুং মিষ্টর ইন্দিয়া এ মোমোতোম্বনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

# ষ্টেটকী সেনিয়র ৱুমেন্স টিম শেম্নবা ফুটবোল্লর ৫৫ কৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (এস এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল পেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা অরুনাচল প্রদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৫ শুবা সেনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯-২০ দা শরুক য়ান্নবা ষ্টেটকী সেনিয়র ৱুমেন্স ফুটবোল টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল কম কোচিংদা য়াওন্নবগীদমক ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা নুপী ফুটবোল্লর ৫৫ কৌখৎখ্রে।

ত্রাইয়েল কম কোচিংদা শরুক য়ান্নবা কৌখৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি- ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী ৱাই য়াইফবী, এম জোশিমা, কে ঐচ জুবিনা, কে এস ঐচ নাওচা, শরিতা য়ুম্নাম, পি ঐচ বিনা, কে ঐচ লক্সমি, ৱাই লক্সমি, এস রিনারোই, সি ঐচ বিমোলা চনু, ৱাই জিনিতা অমদি কে ঐচ বিনি দয়ারানিনি।

এম পি এস সিগীদা- ও রোশিনি, কে ঐচ সোনি, এ রোমি, দেবজানি,সনাথোই, এস প্রমোদিনি, সন্ধিয়রানি, এল ইতারানি দৈ , কে তম্পাকলৈমা, এ শখিতোম্বী, রেবিকা য়ুম্নাম অমদি কিমি নিংথৌজমনি।

ই এস য়ুগীদা- ই পান্থোই, এন মোনিকা, জি রাধারানি, টি ঐচ উমাপতি, এম অচৌবী, ৱাই কিরনবলা, ঐচ মঙালৈবী, এম মন্দাকিনি, আই প্রামেশ্বরি, ঐচ বালেশ্বরি, পি ঐচ অঞ্জালি, সুলতনা অমদি কাসমিনানি।

ত্রিঃ স্পাগীদা- এম লিন্থোইঙানবী, দব্লিউ লিন্থোইঙানবী, এল মাধবী, কে অনিতা, ও রোশিনি, এস ঐচ বন্তি, ৱাই পাকপী, এন জি স্বীতি, এল অশারানি, ৱাই চন্দ্রজিনি, টি ঐচ কৈনাকুমারি, এস রঞ্জনা , ৱাই হেমোলতা, এ রোজা, এন রতনবলা, দাঙমৈ গ্রেস, টি ঐচ বিবিসনা অমদি ই বিন্দিয়ারানিনি।

ফুটবোল্লরশিং অসি অম্ফাগী টেক্লিকেল কম্মিটিগী কনভেনর এস মনিরতন সিংহদা থা অসিগী ১৮ গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক আর্তিফিসিয়েল তফ গ্রাউন দা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

## নিংঙোম্বম জেসন মৈতৈ খল্লক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (এস এন এস)ঃ চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২৪ দগী ওক্টোবর ২ ফাওবা কর্ণতকাগী বেঙ্গলোরদা পাঙথোক্কদোরিবা ১০ শুবা এসিয়ান এজ গ্রুপ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা ইন্দিয়াগী টিম শেম্বদা মণিপুর স্বিমিং এসোসিয়েসনগী স্বিমর নিংঙোম্বম জেসন মৈতৈ খল্লক্লে হায়রি।

নিংঙোম্বম জেসন মৈতৈ কোঙবা খেত্রি লৈকাইদা লৈবা নিঙোম্বম প্রজেশ্বর মৈতৈ অমদি নিংঙোম্বম ওঙবী জিবনমলা দেবীগী মচানুপানি।

## মেটচ ওফিসিয়েলশিং কৌরক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (এস এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা মৈধ্রা প্রসেশকী জবালপুর রেলৱে ষ্টেদিয়মদা সেপ্টেম্বর ৭ তগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সব জুনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ইষ্ট জোন ক্কালিফাইয়িং রাউন্দা ওফিসেট তৌন্নবা মণিপুরগী এন ইবুংঙো মৈতৈ অমদি এল রোজিৎ কৌরক্লে হায়রি।

অমরোমদা হিমাচল প্রদেশকী হামিপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা সব জুনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ নোঠ ইষ্ট ক্কালিফাইয়িং রাউন্দা ওফিসেট তৌন্নবা মণিপুরগী ৱাহেংবম স্প্রিংসনসু কৌরক্লে।

## মরিশুবা গোল্ড কপকী মেটচ ওফিসিয়েলশিংগী মিং লাওথোক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (এস এন এস)ঃ মণিপুর হোক্কিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা মরিশুবা প্রসিদেন্ট গোল্ড কপ অন্দর ১৪ বোইজ অমসুং অন্দর ১৭ ৱুমেন্স হোক্কি টুর্নামেন্টদা মেটচ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌগদবশিংগী মিং মণিপুর হোক্কিনা লাওথোক্লে।

মেটচ ওফিসিয়েলশিং অদুদি- অম্পায়রদা এম ব্রোসন সিংহ, কে ধনা, এম সঞ্জয়মনি, এম শিলজিৎ, এ কে জিট, ভাস্কর, দব্লিউ দেবকেশ্বর, কে এস ঐচ প্রিয়োবত্র, এন জি থবা লৈমা অমদি সুশিত্রনি।

টেক্লিকেল ওফিসরদা- সি ঐচ সকুন্তলা দেবী, সি ঐচ মেমচা অমদি পি পূর্ণিমানি।

জজদা প্রিতমপিয়ারি দেবী, এল বিক্কি, দব্লিউ মেরি অমদি দব্লিউ তনুজা দেবীনি।

টুর্নামেন্টকী ডাইরেক্টরনা সি ঐচ সলা সিংহ অমদি অম্পয়র মেনেজরনা কে ঐচ ধনেশ্বরনি।

হায়রিবা ওফিসিয়েলশিং অসিগী ক্লিনিক অমা লাক্লিবা ওগষ্ট ১৭কী অয়ুক পুং ৮ তাবদা মণিপুর হোক্কিগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি। মরম অদুনা ওফিসিয়েলশিং অসি ইন্টরনেসনেল অম্পয়র সি ঐচ নেপোলিয়ান অমদি সি ঐচ বলা সিংহদা রিপোর্ট তৌরন্নবা টুর্নামেন্টগী কনভেনরনা খঙহল্লক্লি।

# টিম চেম্পিয়ন তারকখ্রবা ষ্টেটকী মিনি ফেন্সিং টিম ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (এস এন এস)ঃ ফেন্সিং এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মহারাষ্ট্রগী পাঞ্জাবটি, নাসিকতা লৈবা দিভিজিনেল স্পোর্টস কম্পলেক্সতা থা অসিগী ৬ তগী ৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১০ শুবা মিনি নেসনেল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯-২০দা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী মিনি ফেন্সিং টিম ওকপগী থৌরম অমা খুমন লম্পাকতা লৈবা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসনগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ৩, সিলভর মেদল ৭ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৪ পূন্না মেদল ১৪ লৌদুনা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তারকখিবনি।

মণিপুরগী গোল্ড মেদল ৩ অদু ইপ্পি বোইজ ইন্দিভিজ্যুয়েলদা , নুপীমচাগী সেবর টিম অমদি নুপামচাগী ইপ্পি টিমনা লৌখি।

ইপ্পি বোইজ ইন্দিভিজ্যুয়েলদা এ থোম্বা মৈতৈনা গোল্ড মেদল, নুপীমচাগী সেবর টিমদা য়াওরিবা ফেন্সরশিং অদুদি- পি অম্বিকা চনু, প্রিয়া নিংঙোম্বম, নেন্সি নিংথৌজম অমদি পেবম বেবিদাইনা দেবীনি।

নুপামচাগী ইপ্পি টিমদা য়াওরিবা ফেন্সরশিং অদুদি- এ থোম্বা মৈতৈ, এস ঐচ জিন্নিট মৈতৈ, কে দ্রোনেল সিংহ অমদি নিংঙোম্বম রোবর্টসননি।

সিলভর মেদল ৭ অদুনা ইপ্পি পোইজতা এস ঐচ জিনিট মৈতৈ, সেবর বোইজতনা টি ঐচ স্যাতন্দা, ফোইল গার্লসতা এ কে দিবিয়ারানি দেবী, ইপ্পি র্গালসতা এন তম্ফাসনা, সেবর গার্লসতা পি অম্বিকা চনু, ফোইল টিম গার্লস অমদি সেবর টিম বোইজতা সিলভর মেদলশিং অদু লৌখি।

নুপীমচাগী ফোইল টিমনা সিলভর মেদল লৌখি। ফোইল টিমদা শরুক য়ারিবা ফেন্সরশিং অদুদি- গীটি লাঙ্গোলজম, এ কে দেবিরানি দেবী, লনচেনবী হাওবম অমদি টি মঙালৈবীনি।

নুপামচাগী সেবর টিমনা সিলভর মেদল লৌখি। সেবর টিমদা য়াওরিবা ফেন্সরশিং অদুদি- টি ঐচ স্যাটানন্দা, সাওলিন নিংঙোম্বম, চিঙলেম্বা তোয়জম অমদি এস জিমিকান্ত মৈতৈনি।

ব্রোঞ্জ মেদল ৪ অদুনা - ফোইল বোইজতা এস বিক্কি, সেবর গার্লসতা প্রিয়া নিংঙোম্বম, ইপ্পি টিম গার্লস অমদি ফোইল টিম বোইজনা মেদলশিং অদু লৌখি।

নুপীমচাগী ইপ্পি টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। ইপ্পি টিমদা য়াওরিবা ফেন্সরশিং অদুদি- এন তম্ফাসনা, দিবিয়া নিংথৌজম, থোকচোম বিনাও অমদি নিংঙোম্বম জাজিনি।

নুপামচাগী ফোইল টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। ফোইল টিমদা য়াওরিবা ফেন্সরশিং অদুদি- খোয়শ্নাম রাজিপ, শঞ্জেবম বিক্কি মৈতৈ, এন মালেমঙানবা মৈতৈ অমদি এল মনাওতোন সিংহনি।

ষ্টেটকী মিনি ফেন্সিং টিম অসি চিঙশোম্বা এন অমদি এস ঐচ এলেক্স মৈতৈনা কোচ অমসুং এল সুসিল কুমার সিংহ অমদি এস সান্তা সিংহনা মেনেজর ওইনা লুচিঙখিবনি।

পাঙথোকখিবা ওকপগী থৌরম অদুদা এসোসিয়েসনগী ওফিসিয়েল অমদি ফেন্সরশিংসু শরুক য়াখি।

## ‘দি’ লাইন্সেন কোর্সকী কেন্দিডেটশিং রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (এস এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এ আই এফ এফ ‘দি’ লাইন্সেন কোর্সতা শরুক য়াগদবা কেন্দিডেটশিং থা অসিগী ১৭ কী নুংথিল পুং ৩ তাবদা ওল মণিপুর ফুটবোল ফেদরেসনগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌরন্নবা এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরীনা খঙহল্লক্লি।

কোর্স অসিদা শরুক য়াগদবা কেন্দিডেটশিং অদুদি- সনি ৱাঙ্খেময়ুম, গোলমৈ অখামনা কাবুই, এস হিমেন সিংহ, ঐচ লাচাও, স্তিপ থিঙুজম, ত্রিসেন পাও, জিমরে সকা, কে নরেস কুমার, দাবিও ৱোভা ওসৱিন, এস আর থারমিসান, মোন্সিয়াং লাজেল, জি নুলখোসিয়ান, থাঙচা কিপজেন, খাইখোজিন কিপজেন, অশাংবম অনন্দ সিংহ, সাহিন্সা, প্রিথিসরাজেস, গোবিন, নিকুলস বিক অমদি টেনিসননি।

## পোলো ট্রান্সফরগী মতম লেপ্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (এস এন এস)ঃ মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা লৈবা ক্লব, শান্নরোই অমদি নৌনা এফিলেট তৌনিংবা ক্লবশিংগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী মতম লেপ্লে হায়রি।

রেজিষ্ট্রেসনগী মতম অসি ওগষ্ট ২০ দগী ২৫ ফাওবগী অয়ুক পুং ৮ দগী ১১ অদুগা নুংথিল পুং ২ দগী ৫ ফাওবা লম্ফেল পাৎতা লৈবা মণিপুরি পোণি ব্রিদিং ফামগী এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকনি।

## ট্রাউগী অনীশুবা মেটচ শান্নরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (এস এন এস)ঃ ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চথরিবা দুরান্দ কপ্তা শরুক য়ারিবা টিদিম রোদ এঠলেটিক য়ুনিয়ন ( ট্রাউ) এফ সি অনীশুবা মেটচ ঙসি চেন্নাইয়িন এফ সিগা হৌরা ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

টিদিম রোদ এঠলেটিক য়ুনিয়ন ( ট্রাউ)গী অহানবা মেটচতা এয়র ফোসকী মখূৎতা গোল ১-০ দা মায়থিবা নঙখিবনি। ট্রাউগী অহুমশুবা মেটচনা থা অসিগী ১৮ দা গোকুলান কেরেলা এফ সিগা শন্নরগনি।

# দি ৱাই এস ও থৌবাল আর সি সিগী অৱাৎ অপা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (এস এন এস)ঃ য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরগী তোঙান- তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংনা মশান্না কয়াগী রিগুলর কোচিং সেন্টর ( আর সি সি) হাঙদোকখ্রবা মফমশিংদা অখন্নবা খোঙচৎ অমা দিপার্টমেন্ট অসিগী মীহুৎ ওইনা ট্রেন্নিং অমদি কোচিংগী জোইন্ট ডাইরেক্টর টি থৌবনা দি ৱাই এস ও থৌবালগা খূৎশম্নদুনা থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা চথরিবা আর সি সিগী মশান্নশিং দা শরুক য়ারিবা অঙাংশিংগী অৱাৎ- অপা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অসিগা মরি লৈন্না দি ৱাই এস ও থৌবালগী আই পূণিমাশি অমদি অতৈ ষ্টাফ য়াওনা চথরিবা কোচিং অসি হেন্না মপুং ফানা পাঙথোক্লুবা অমদি অফবা শান্নরোইশিং পুথোক্লুবগী ৱাফমশিংসু খন্নখি।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কম্পলেক্স ৱাংজিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা আর্চরি, হেন্দবোল, ভাস্কেটবোল অমদি এঠলেটিকগী মশান্নাশিংদা রগুলর কোচিং সেন্টর ( আর সি সি) অসি চথরি। অদুগা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকীনা টেবল টেন্নিস অমদি ৱুসুদা ইন্দোর হোল ককচিংদা রগুলর কোচিং সেন্টর ( আর সি সি) অসি চথরি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com